# থবক শীজিন্নবা ষণ লাবশিং খন্দোকপা

ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী

**ষণ** লাবশিংসি মশাগী মপাঙ্গলসি ষণবুশিংনা লৌউ-শিংউ তৌবদা হায়বদি শস্পোৎ খোইবা, উকাই তকপদা, লৌ লোকপদা, ঈশিং চিংখৎপদা, মী অমদি পোৎ পুথোক পুশিন তৌবদা শীজিন্নরি।

ষণ পাবোট অমনা পুং অমদা কিলোমিটর ৪-৫ ফাওবা চৎপা ঙম্মী। কা হেন্না থুনা চৎহন্দ্রগদি নোংমদা কিলোমিটর ২৫-৩০ ফাওবা চৎপা ঙম্মী। নোংমদা মখোয়না চৎপগী চাংসি মফমদুগী হৱা নুংশিৎ, মখোয়দা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং, শাবন লাকপা পোৎলমশিং অমদি মখোয়বু পুদুনা চৎলিবা মপূদুগীসু মখা য়াম্না পোল্লি। য়ামদ্রবদা নোংমদা ষণ লাবা অমনা পুং ৫ দগী হেন্না থবক শুহনবীরোইদবনি। খরা ৱাদবা নৎত্রগা য়াংবা থবকশিং শীজিন্নগে হায়রগদি হায়রিবা পুং ৫ দগী খরা হেনবা ফাওবা শীজিন্নবা য়াই। থবক শীজিন্নগদবা ষণশিংসি য়াম্না ঈং-তপ্পা, শাওগন্দবা ওইগদবা, মশা-মউ ফবা, নীংথিনা ৱাং-চাওবা ওইগনি অমদি চৎপা মতমদসু মশা য়াঙনা চৎপা ঙম্বা ওইগনি।

**থবক শীজিন্নবা নোংমগী মতম :**

হান্নদগী লৈজরক্লবা ষণ ওইরগদি চহী ৪ শুরকপদগী থবক শীজিন্নবা য়ারে অদুগা ক্রোস ব্রিদ ওইরগনা হায়রিবা মতমসিদগী ঙন্না শীজিন্নবা য়াই। ষণ লাবশিং চহী নৌনা শীজিন্নরগদি চাওদম থিনগনি, শরু শয়াং মপূং ফাবা ঙমদে, চহী য়াম্লবা ষণ শীজিন্নববুদি চহী নৌরিবা ষণ হায়বদি শীজিন্নবা য়ারবা মতমদা লাঙ্গোল হাপ্তুনা শীজিন্নবনা হেন্না তুং কোয়না শীজিন্নবা য়াই। থবক শীজিন্নগদৌরিবা ষণ লাবশিং থবক হৌদ্রিঙৈদা মখোয়না চহী ১-২ শুরকপদা মশা শেমদোকপীবা য়ারে। মতম চানা মশা শেমদোকপীহৌরগদি ষণ লাবশিংসি ফীংদবা, ঈং-তপ্পা অমা ওইহল্লি, শাথিদে। মশা-মউ ফৈ, তুপ-তুপ লাউগনবা ওই। করিগুম্বা চহী লীরবা ষণ লাবশিং লাঙ্গোল হাপ্তুনা থবক শীজিন্নবদা ৱানা থোকই, তন্বীরগসু তুং কোয়না চৎতে।

**থবক শীজিন্ননবা ষণ লাবা খনবা :**

ষণ লাবশিং চাওরি মতিক থবক য়াম্না শুবা ঙম্মী। শোন্দম্লবা ষণ ওইরগদি কা হেন্না শাংনা শুবা ঙমদে। থবক শীজিন্নবা ষণ খনবা মতমদা মখোঙ মরিমক অশোয়-অঙাম য়াওরোইদবনি। ষণ লাবশিংগী মরুম/মনম পোল্লিবদু য়াম্না চেকশিন্না চাউবা ওইগনি। মনিংগী অশাংবা শরুক্তু লেভেল অমদা লৈগনি। মশাগী শন্দোংশিং মত্রং-মত্রং কাবা/কনবা শরুশিং অশোয় অঙাম য়াওদবা ওইগনি। ষণগী লোংখুমগী মচু মুবা, অনীগী কারক্তা শীৎ নানবা অমদি পরেং অমতদা লৈবা ওইগনি। লোংখুম অনীগী মরক্তু কা হেন্না লাওবা ওইরোইদবনি। খুউগী শরু চাওথোকপা, চৎপা ঙমদবগী অৱাবা লৈব্রা হায়বদু য়েংশিনবীগনি। ষণগী মঙকসু মখল অমতগী অপোম্বা লৈরোইদবনি। ষণ লাবশিংদু পোৎ পুবা ঙম্বা ওইবতা নত্তনা লেপ্পা মতমদা মকোক হাইগৎনা লৈবা, থবক তৌবা মতমদা মমৈ ৱাংখৎনা লৈবা উগনি। মসিনা তাক্লিবসি ষণশিংদু য়াম্না মীৎ-না শিংবা, মশা মউ খিংবা অমদি চেকশিনবগী মওং উৎপনি।




FIG. 13.1 TRAINING YOUNG BULLOCKS TO PULL LOADS





FIG. 13.2. YOKE WITH IRON BARS TO CONTAIN NECKS OF BULLOCKS IN POSITION

FIG. 13.3. A SIMPLE YOKE

A. Neck rope ; B. Holes in the wooden beam for passing the ropes through ; C. Wooden beam.



থবক তৌনবা ষণ পাবোট অমা শেম্বা মতমদা ষণ লাবা অনীমক চাউ-শাংবা মান্নগনি , ইং তপ্পা ওইগনি। করিগুম্বা অনীমক চাউবা মান্নদ্রগদি লাঙ্গোল হাপ্পা মতমদা চপ চানা ফীভম তানা হাপ্পা ঙমদে। অসিগুম্বা ষণ লাবা অনীমক চাও শাংবা মান্নদ্রগদি খ্বাইদগী চাওবদুনা পোৎলুম অয়াম্বা পুই। মসিদা অচৌবা ষণদা অৱাবা অমা ওইহল্লি অমদি মতিং হুৎনা থবক তৌবা ঙমদে।

**লাঙ্গোল হাপ্লগা থবক শুবা তন্বীবা :**

মতম চঙনা ষণ লাবশিং থবক শীজিন্নবা তন্বীবদা অরেম্বদা মাঙদে। তাকপী তন্বীদ্রি মমাঙ থা ১-২ ৱাৎলিঙৈদা ষণগী মনাতোন্দা মখুল হুৎতুনা নাতোন্দা থৌরি থিংজিল্লগা শেন্বীগনি। অহানবদা ষণ লাবসি ষণবুনা পুথোক্তুনা মাগা মত চান্ননবা হোৎনবীগনি। তাকপী তন্বীগদৌরিবা ষণ লাবদুদা মপূনা তাথি তাওই তৌবিরোইদবনি অমদি ফু চৈবসু তৌবিরোইদবনি। ষণ লাবশিংবু মপূদুনা তুং কোয়না লোইনগদৌবা মরম্না মপূনসু মরুপকুম্না নিংথিনা শেন্নবীগনি।

অনীশুবদা ষণ লাবশিংদু লাঙ্গোল হাপ্পা তন্বীগনি। লাঙ্গোল হাপ্পা মতমদা ষণ অনীমক্তা হাপ্লগা ষণ লাবা অনীমক হান্না লৈরম্বা সাইটতা লৈহনগনি হায়বদি ষণ লাবদু লাঙ্গোল হাপ্লগা ওইরোমদা লৈরগদি ওইরোমদা অদুমক লৈহনগনি। অদুগা য়েৎলোমদা লৈবদুনা মতম পূন্নমক্তা অদুমক লৈগনি। ষণ অনীমক্লা লাঙ্গোল হাপ্লগা চৎপা ঙম্লগদি পোৎশিং য়াম্লবদা কেজি ৭৫ মুক্কী পোৎ লাঙ্গোলগী ময়ায়দা থম্লগা থৌরিনা চিংবা তন্বীগনি। মসিগী মওংসিদা হৈনরগদি মপূনা কম্মান্দ তৌবা খুদিংমক হায়বদি লেপ্পু, চৎলু, চেল্লু, য়েৎতা লৈবা, ওইদা চৎপা, চুম্না চৎপা খুদিংমক তন্বীবা য়ারে। মসিগীদমক্তা মশীং য়াম্না চপ মান্ননা তৌহন্দুনা কম্মান্দ তৌবা খুদিংমক মতুং ইন্নবা হোৎনরক্কনি।

**পীজ-পীথক তৌবা :**

শীজিন্নবগী মতুং ইন্না মচিঞ্জাকসু হেন্না অমদি খরা হন্থনা পীজবীগনি। কা হেন্না থবক শীজিন্নবা মতম হায়বদি লৌউ-শিংউগী মতমদদি হেন্না পীজবীবা মথৌ তাই। পীজবিবা মতমদা মফোনগী শরুক্লা খরা হেন্না পীজবীবা মথৌ তাই। শজিক ঙাক্তা পীজবীবগী ৱাখল ষণবুনা থাদোকপীগনি। মশা-মউ ফনা থম্ন বা অমদি লূ-নান্না থম্নবা ষণবুনা ষণগী মশাশিং তকথোকপীগনি। মশা শেংদোকপা মতমদসু থবক হৌরবা মতুং নৎত্রগা হৌদ্রিঙৈ চরু খুবাম অমা পায়বিদুনা মশাদু তকথোকপীগনি।

য়াম্না শাবা মতমদা ষণশিংদু থবক শুহনবীরোইদবনি। কালেনগী মতমদদি অয়ূক পুং ১০ ফাওবা অমদি নুংথিলগী মতমদনা পুং ৩-৬ ফাওবা শীজিন্নবীগনি। পুং ২ শুরবা মতুংদা ঙাইহাক অমুক ষণশিংদু পোথাহনবীগনি। পোথাবা মতমদসু উরুম লাংবা মফমদা থম্বীদুনা ঈশিং মরাং কায়না পীথকপীগনি। কা হেন্না ষণশিংদু থবক শুহনবীরোইদবনি। মসিনা লুম্বা হন্থহনবদা নত্তনা মশাদসু অশোয় অঙাম য়াওরকই। মফম খরদদি থবক তৌদ্রিঙৈদা ষণগী লোংখুমদা খোঙউপ উপ্লী। মসিনা খোঙ শোকপগী চাং হন্থে। লোংখুমগী খোঙউপশিংসি থবক অদুম শীজিন্নরগদি থা ২ খুদিংগী শিনবীগনি।

অসুম্না নীংথিনা ষণবুশিংনা মশাগী ষণশিংদু কা হেন্না ফুবিদনা, হেন্না অরুম্বা পোৎলম কয়া অমা হাপ্পীদুনা পাবোট শেল্লিবা ষণশিংদা খক তৌবিরোইদবনি অমদি লুনা তৌবিদুনা নীংথিনা পীজ-পীথক্তুনা মরুপকুম্না ষণবুশিংনা লোইনবীগনি।|◀◀

# কিষান ক্রেদিট কার্দ

ডা: য়ুম্নাম বেদজিৎ

**কিষান** ক্রেদিট কার্দ হায়বসি লৌউ-শিংউবগীদমক বেঙ্কশিংনা পীবা লোন মখল অমনি। মসিগী পান্দমদি মতম চানা অমদি মথৌ তাবা লৌউ-শিংউবদা চঙবা শেল/খরচ পূম্বা লৌমীশিংদা লোন ওইনা অপীকপা শেন্দোয়দা বেঙ্কশিংগী খূত্থাংদা ফংহনবনি। লোন অসি মখাগী লৌউ-শিংউবগী থবকশিংদা ফংবা য়াই।

ক) মতম মতমগী লৌবুক অমদি ইঙ্খোলদা ফৌ অমদি এঞ্চাং-নাপী থাবদা চঙবা শেনফমশিং খুদম ওইনা হায়রবদা লৌবুক খোইদোকপা, মরূ-মরাং, হার, তীল-হীদাক, খূৎলংগী মমলনচিংবা।

খ) ইঙ্খোলগী পোত্থোকশিং য়োনবদা চঙবা শেনফমশিং।

গ) ঈশিং চিংথোক-চিংশিন তৌনবা পম্প সেট, হীদাক কাপ্পবা অসপ্রেয়র অমদি শা-ঙানচিংবা লৈবদা চঙগদবা শেনফম।

ঘ) লৌমীশিংগী ইমুং-মনুংগী মতম মতমগী মথৌ তাবা শেনফম খুদম ওইনা অঙাংশিং লাইরিক তম্বা, য়ূমগী তঙাইফদনা চঙবা পোৎ চৈশিং লৈবা অসিনচিংবনি।

**করম করম্বা মীওইশিংনা লোন অসি ফংবা য়াবগে?**

১) ইশাগী লৌফম লৈবা লৌমীনা নাইতোম ওইনা লোন অসি ফংবা য়াই।

২) লৌমীশিংগী গ্রুপ হায়বদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপ জোইন্ট লাইএবিলিটি গ্রুপ, ফার্মরস ক্লবনচিংবশিংনা লোন অসি ফংবা য়াই।

৩) মশাগী লৌ-ইঙ্খোলদি লৈজদবা তৌইগুম্বসুং লৌশান ওইনা উবা লৌমীশিং।

বেঙ্কশিংনা লৌমীশিংগী মথৌ তাবা লোনগী শেনফম করম্না লেপ্পগে?

বেঙ্ক ব্রাঞ্চ খুদিংমক্তা চহী খুদিংগী জিলাগী থাক্তা টেক্নিকেল কম্মিটিনা লেপ্পা স্কেল ওফ ফাইনান্স হায়না খঙনবা দেটা/ইনফোর্মেসন লৈ। স্কেল ওফ ফাইনান্স হায়বদি লৌমী অমনা মফম অমদা লৈবা লৌবুক/ইঙ্খোল অমদা লৌউ-শিংউবগী থবকশিং পাঙথোকপদা চাউরাক্লা শেল কয়া য়াম্না মথৌ তাবগে হায়বদুনি। হায়রিবা শেনফম অসি লেপ্পবগীদমক্তদি লৌফম/ইঙ্খোলগী পাক চাউবা (পরি/শঙম) অদুগা থাগদৌরিবা লৌ নৎত্রগা মনা-মশিংগী স্কেল ওফ ফাইনান্স অদুগা পুরিনগদবনি।




কে সী সী লোন অসি বেঙ্কনা সেঙ্কসন তৌরবদি চহী মঙাগী ভেলিদিটি লৈ। মরম অদুনা চহী খুদিংগী নৌনা বেঙ্কতা লোন থাজিনবগী মথৌ তাদে। লৌ, মহে-মরোং থাবগী মতাং মতমগী মতুং ইন্না বেঙ্কনা মথৌ তারিবা লোনগী শেনফমদু লৌমীশিংদা পীরক্কনি।

কে সী সী লোনগী শেন্দোয় কয়ানো?

অসুক্কী মতিক শেন্দোয় পীকই। কে সী সী লোনগী শেন্দোয়সি, চহীদা লুপা ১০০দা লুপা ৭কী চাংদা শেন্দোয় ওই। অদুগা মতম চানা বেঙ্ককী চৎন-কাঙলোন মতুং ইন্না লোন শীংলবদি সবভেন্সন ওইনা লৈঙাক্লা চাদা ৩০ শেন্দোয় কোকপীগনি। মরম অদুনা লোন অসিগী শেন্দোয়সি মতম চানা লোন শিংলবদি চহীদা চাদা ৪ খক্তমক ওইগনি।

কে সী সী লোন শিংবগী মওং করম্না তৌবগে?

বেঙ্ককী লোন মতম চানা শিংবগী হৈনবী ঐখোয়দা লৈগদবনি। ঐখোয়না খঙই কে সী সী লোন অসি লৌউ-শিংউবগী লোন ওইবনা লোন অসি শিংবগী মওংসু লৌউ শিংউবগী মতমগা হায়বদি ক্রোপ্পিং সিজনগা মরী লৈনফম থোকই। খুদম ওইনা জুন-জুলাইদা ফৌ থাবগী মতমদা লৌখিবা লোনগী শেনফমদু লৌ লোকপা মতম হায়বদি নবেম্বর-দিসেম্বরদা শিংফম থোকই। ফৌগী লৌখিবা শেনফম শিংখ্রবা মতুংদা নিংথম থাগী মনা-মশিং থাবগী লোনগী শেনফম অমুক বেঙ্কতগী লৌবা য়াগনি। হায়রিবা মনা-মশিং থাবগী লোন অসি মার্চ-এপ্রিল অদুৱাই হায়বদি নিংথম থাগী মনা-মশিংগী কুম লোইশিল্লকপা মতমদা শিংবা মতম ওইগনি। হায়বদি লোন অসি অমুক্তংদা লৌথোকপদি য়াদে, মতম মতমগী মথৌ তাবগী মতুং ইন্না লৌবা-শিংবা তৌগদবা লৌমীশিংগীদমক য়াম্না কান্নখ্রবা লোননি।

কে সী সী লোনগী অতোপ্পা কান্নবা করি করি লৈবগে?

লোন অসি লৌবা মীওই খুদিংমক ইন্সুরেন্স পোলিসি খরগী খুদোংচাবা ফংবা য়াই - ক্রোপ ইন্সুরেন্স, এসেটস সন্সুরেন্স, পর্সনেল এক্সিদেন্ট ইন্সুরেন্স (পি এ আই এস) হেলথ ইন্সুরেন্স অসিনচিংবা।

মরম অদুনা লৌমীশিংগী হক অমসু ওইরিবা কিষান ক্রেদিট কার্দ লোন অসি ঐখোয়না ফংননবা হোৎনগদবনি অমদি বেঙ্কশিংগা অফবা মরী থম্বা তঙাইফদে।

অকূপ্পা ৱারোলশিংগীদমক মনাক নকপা কম্মর্সিএল বেঙ্ক অমদি রিজনেল রুরেল বেঙ্ককী বেঙ্ক ব্রান্সেসতা লেংশিনবীরক্তুনা তানবীয়ু।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ৱাহৈশিং অসি নেসনল বেঙ্ক ফোর এগ্রিকলচর এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট (এন এ বি এ আর দি) কী মতুং ইন্না ইজবনি। করিগুম্বা মখা তানা খঙবীনীংলবদি এন এ বি এ আর দিকী ৱেবসাইট www.nabard.org. তা য়েংবীবা য়াগনি। |◀◀

# মণিপুর স্কৃপ্টকী মতাংদা সিম্পোজিয়ম পাঙথোকখ্রে থেংনজরুবদা

শগোলশেমচা য়াইখোম্বা মঙাং

**চহীসিগী** জুলাই ১৮গী হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী লমায় ৪দা ফোঙখিবা 'মণিপুর স্কৃপ্টকী মতাংদা সিম্পোজিয়ম পাঙথোকখ্রে' হায়বা পাউদু পারুবদা য়াম্না নুংঙাইজে। অদুবু অখঙ অহৈশিংগী খুজিল থৌরাং অমনা মীওইবগী পুন্সিদা ইতৎ-তত্তনা হোংবা নাই হায়বা ৱাফম অমদগী 'মীতৈ ময়েক' কৌবা ময়েকপু মণিপুরী ময়েক নৎত্রগা 'মণিপুর স্কৃপ্ট' হায়না মমিং ওন্থোকপীরক্তনবগীদমক্তা মীতৈ ইপা-ইপূ লাইওইখ্রবশিংনা থন্বীরম্বা পুয়া ময়েক্কী মায়কৈদা লেপ্তুনা ঙসিগী অমদি তুংদা লেপ্তুনা হৌরক্লিবা নহারোল মহৈরোয় ইচা-ইশুশিংগী অমদি লৈবাক মীয়ামগী খঞ্জদুনা অখঙ অহৈ, রিছার্স সেন্তর অমসুং মরী লৈনবশিংগী মফমদা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি।

হৌজিক, মীতৈ ময়েক কৌবা পুয়া ময়েকনি হায়নরিবসি মহৈরোয়শিংদা তমহনবীবদা বি এ ফাওবগী থাক্তা তমহনবীরে হায়বসি লাইরৈবাক্তা তিনখ্রবা ময়েকসিবু থন্বীরম্বা ইপা-ইপূশিংনসু হরাউবিরমগনি। তাইবঙ মপূনসু পেনবিরমফম থোকই। মীয়াম পূম্নমকসু নুংঙাইমিন্নরিবসিনি। লাইবক থীবদি 'ময়েক্লা ইপানি, লোলনা ইমানি' হায়বা পাউতাক অসি মীতৈ ময়েক্কী মীতৈ লোনদি ময়েকসিগা লৈমিন্নদ্রে, মণিপুরী লোনগা লৈমিন্নরে। মসিনা তাকপদি ময়েক্লা মীতৈ ইপা, লোলনা হিন্দু (ময়াং) নিংঙোল ওইফম থোকই। মণিপুরী লোল হায়বসি মণিপুরী হিন্দুলোল হায়না খঙনরি অমসুং চৎনরিবসিনি।

মণিপুরী লোল হায়বসি স্কৃপ্ট (ময়েক) লৈতবা লোল নত্তে। লোলসিগী ময়েক ঙসিগী খুন্নাইসিনা ইশাগী ময়েক্কুম্না য়াম্না হৈ-শিংনা খঙনা মীপূম খুদিংমক্লা ইনরি অমসুং ময়েকসিনা ইবা লাইরিকশিংবু পানরি। ময়েকসিবু মশক তাকপা মতমদা দেব অক্ষর নৎত্রগা দেব নাগরি লিপি হায়না মমিং থোল্লুবতনি। ঙসিদি বেঙ্গালি ময়েকনি হায়বসি তপ্পা খঙনরকপনি।

মণিপুরী লোলগী বেঙ্গালি স্কৃপ্ট = দেব অক্ষর নৎত্রগা দেব নাগরি ময়েক লৈনা লৈনা অতোপ্পা ময়েক অমমুক মণিপুরী লোলগী ময়েক (স্কৃপ্ট) ওইননবা পুয়া ময়েক (মীতৈ ময়েক) পু মণিপুরী ময়েক হায়বা তারবদি মদুদা খুন্নাই (মীতৈ/মৈতৈ) সিগী পুন্সিদি করি ওইগনি অমসুং লৈবাক মীয়ামগী লাইবক্লা করম্বা লাইবক ওইগনি হায়বসি ঙসিগী অখঙ অহৈশিংনা খন্নবিরমগনিসু খঞ্জে। 'মণিপুরী স্কৃপ্ট' (পুয়া) হায়বা ৱাহৈসিদগী চিংথোকচদুনা ৱাফমসি থমজরকপনি।

**মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম :** ১) 'মীতৈ' কৌবা খুন্নাইসি মীতৈ লৈবাক কংলৈপাক অসিদা চীংমী তম্মী পূন্না অহানবদা চীংদগী হৌমিন্নরক্তুনা চীংদোলগী অৱাংবা মফমশিংদা ঙসিসু মীতৈগী (চীংমী-তম্মীগী) লাইফম ওইরিবসিনি হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি।

লাইফমশিংদি - কৌব্রু, মার্জিং, ৱাংব্রেন, থাংজিং, নোংপোক লৈহৌ চীং (নোংমাইজিং চীং) লোয়ারাকপা, কৌনু লাইরেনবী অসিনচিংবা লাইফমশিংসিনি। লাইফমশিংসি তম্পাক্তা খুন্দারবা মীতৈশিংনা চীংমী ওইরিঙৈগী য়েলহৌমী ইপা-ইপূশিংদুনা নীংনরকপনা, ঙসিসু তম্পাক্তা লৈবা তম্মী ওইরবদসু খুন্নাইসিগী ইপা-ইপূ লাইফম অরুবা ওইবদি ময়েক্লা মশানা তাবা ৱাফমনি অমসুং চীংদা খুন্দারিবা চীংমী কাঙলূপশিংনসু লাইশিং অসিদা মপা-মপূলাই ওইনা নীংনদবা নত্তে। লম্বু কোনবদা চীংমীশিংবুসু কোনবিরিবা মায়কৈ ঙাকপা অরুবা লাইয়ামনি হায়বসি পুয়াদগী অমদি লাইথৌদগী খঙনরি। (থৌরমদা হৈথা-লৈথানরি)।

২) মীতৈবু 'মৈতৈ' হায়নসু মিং কৌনরিবা অসিসু মীয়ামসি খঙনৈ।

৩) মীতৈ/মৈতৈবু 'মণিপুরী' হায়না খঙনখিবসু মীয়ামসিনা খঙনৈ। পুয়াগী মমিং নত্তে, মণিপুরগী পুৱারীগী মমিংনি।

৪) পামহৈবা নিংথৌগী মতমদগী মণিপুর হায়বা মমিং থোল্লক্লবসু মমিং চৎপা ঙমখিদে। ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদগী মণিপুর মমিং চৎপা লৈপাক অমা ওইরকখি হায়নৈ। ৱাফমসিসু অখঙ অহৈশিংনা খঙনবা ৱাফমনি। অসিগা লোয়ননা মণিপুরী খুন্নাই মমিং চৎপা খুন্নাই অমা ওইরকখিবসি ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী মপান্দগীনি হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না য়ানরবা ৱাফমনি।

৫) মণিপুরী = মীতৈ/মৈতৈনা ঙাঙবা লোল 'মণিপুরী লোল' নি হায়না চৎনরিবসিদা মণিপুরদা চীংমী মখল ৩১ লৈ হায়নৈ। অদুবু মীতৈলোলনা ফাওনা লোল ওইজরবসু, মীতৈ/মৈতৈ লোলদা হিন্দু বেঙ্গলিগী ৱাহৈনা মীতৈগী ৱাহৈ শৎতোক্তুনা শেম্বা লোনয়ান্না ওইবা লোলবু মণিপুরী লোল ওইবসিসু মীয়ামসিনা খঙই। হৌজিক য়াম্না লুরিবসি মীতৈ/মৈতৈ ময়েক্তি হিন্দু ময়েক ওইরক্তে অদুগা মণিপুরী লোলদি মণিপুরী হিন্দু লোলনি হায়না চৎনরিবসিনি।

৬) মণিপুরী লোলগী স্কৃপ্ট (ময়েক) তি 'দেব অক্ষর' নৎত্রগা 'দেব নাগরি লিপি' হায়না ময়েক্কী মমিং থোল্লি। অদুগা মমাঙঙৈদা মীতৈ = মৈতৈ/মণিপুরী (হিন্দু) শিংনা খঙনদুনা মীরোল কয়াগী পুন্সিনা শীজিন্নদুনা লাক্লবা দেব অক্ষরসি বেঙ্গলি ময়েক কৌই হায়বসিসু খুন্নাইসিনা তপ্পা তপ্পা খঙনরকখ্রে। হিন্দুগী ময়েকনি - (বেঙ্গলি হিন্দুগী)। বেঙ্গালি ময়েকপু 'মণিপুরী স্কৃপ' হায়নদি ময়েক্কী মশক-মমিং পনবা ওইথোক্তে। মতৌ অসুম্না মীতৈ ময়েকপু মণিপুর স্কৃপ্ট হায়খিবা থোক্লবদি মদু খুন্নাইসিনা য়াফম থোক্তে।

মরমদি মীতৈ কৌবা খুন্নাই অমা য়েলহৌমী চীংমী ওইনা ঙসিগী চীংমীশিংগী মপা-মপূশিংগা হৌমিন্নরকখিবা মতমদুদা মীতৈলোলনা চীংমী ইপা-ইপূ-মীয়ামদুগী ফাওনা লোল ওইদুনা চীংমী মীয়ামসু তম্মী মীতৈশিংগা পূন্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকই হায়বসি পুৱারীনা খুদমনি। হিন্দুগী ঈ ওইরক্তবা হকচাং অমসুং থৱায়-মিগী মনুংদগী থোরকপা ইমালোল নুংশিবী মীতৈ/মৈতৈ লোল অসিসু মণিপুরী লোল হায়রক্তে।

মরম কয়ামরুমবু কূপ্না য়েংলগা ঙসিগী মীতৈ ময়েক তমদুনা বেঙ্গলি ময়েক্তা ইবা-পাবা ঙমদ্রবা অমদি ঙম্মরোইদৌবা তুংদা লাক্কদবা ইচা-ইশু মীয়াম অমগা মমাঙঙৈ য়েলহৌমী মীতৈ ইপা-ইপূ সলাই ৭কী অপোকপগী খুভমগা তৎনবা য়াদ্রবা অচেৎপা ঈগী মরীবু চেৎনা চান্না (ইনাৎনা) কোনবিরসনু। 'মমৈবু ময়ানা চিক্লনি' হায়বা মতমগী খোঙলৈ তাকপা পুয়াগী পাউরৌ লৈ হায়বদু ইচা-ইশু (মীতৈ ময়েকতমক খঙজরবা) শিংসিবু মীতৈ ইপা-ইপূ য়েলহৌ মীকোক-পুকোক্কী ময়ানা, মচিন্না, মরৈনা, খোম্থোক্লা, ৱাহৈনা চৎনরকপসি ওইফম থোক্লে। মরম অসিনা মীতৈ ময়েকপু (পুয়া ময়েকপু) কনাগুম্বগী শরৌ লাংদা থুখিদনবা খুন্নাইসিগী অঙম্বা, খঙ-হৈবিরবা ইপা-ইপূশিংবু অমসুং ইখুন্নাইসিবু নুংশিবীবশিংনা মীতৈ (পুয়া) ময়েকপু মমিং হোংদনা, মশক লেংদনা থন্বীনবা খ্বাই পূম্নমক্তা নাল্লুকচরি।|◀◀